# হোক্কী পামজনা হৌরকপনিনা মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা অমদি হৌগৎলক্লিবা হোক্কী শান্নরোয়শিংদা অঙম্বা মতেং পাংগনি : অরাম্বম ব্রোজেশ্বরী

**শান্নবুংগী পাউদম-৩৬**
**জয়চান্দ লুৱাং**

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না পৱার হাউস ওফ স্পোর্টস হায়রগা খঙনরিবা ইরমদম মণিপুরদগী হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিং অসি অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা য়াম্না চেকশিন্না লমজিং লমতাকপীরবদি ওলিম্পিয়ন কয়া পুথোক্তুনা মণিপুরগীতা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ কয়ারক হন্না পুরকপা ঙমগনি। ঐ ইশাসু হোক্কী মশান্না অসি য়াম্না পামজনা হৌরকখি। ঐখোয়না শান্নরিঙৈ মতমদদি মতেং পাংবীনবা অমদি লমজিং লমতাকপীনবা মী মশিং ৱাৎপনা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্ন রকখি। মরম অদুনা হোক্কীগী ফিল্ডদা চঙলক্লিবা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা হোক্কী মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনগনি হায়না মতম অমদা নেসনেলগী থাক্তা হোক্কী মশান্না অসিবু মায় পাক্না শান্নরম্বী ব্রোজেশ্বরী অরাম্বমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউ চে অসিনা নুপী শান্নরোয় অসিগা অখন্ননা শান্নখিবা ৱারী অমদা মহাক্না মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মতম অমদা মখোয়না থেংনরকখিবা অৱাবা অদু হৌগৎলকলিবা চহী নৌরিবা শান্নরোয়শিংদা থোকহন্নিংদে। মখোয়দা অঙম্বা মতেং পাংদুনা মহাক্কী মায়কৈদগী হোৎনবা য়াবশিং হোৎনগনি হায়খি।

মখোয়না শান্নরিঙৈ মতমদা লমজিং লমতাকপীনবা মী মরাং কায়না লৈতবনা মরম ওইরগা মপান লমদা চত্তুনা শান্নরকখিবা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকখি। ট্রেন তোংদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অয়াম্বা টিকেট রিজার্বেসন ফংদবনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া মায়োক্নখি। অঙাং ওইনা শান্নবা চৎলকখিবনা খঙবা ৱাৎপদগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্নখিবা ওইরম্বদি য়াই। অদুবু মতম অদুদা লমজিং লমতাকপীনবা মী মরাং কায়না লৈরম্লবদি অৱাবশিং অদু মায়োক্নরমদবা য়াই।

অমরোমদা মখোয়না থৱায় য়াওনা শান্নরিঙৈ মতমদা মণিপুরদা হোক্কী এসোসিএসন অনী থোকপগী অচৌবা মমি অমা তাবা উখি। মদুনা অমুক্কা হেন্না মতম অদুগী হোক্কী শান্নরোয়শিংদা চাওনা চরাংনবশিং পোকহনখি। করম্বা এসোসিএসনগী মখাদা শান্নগদৌরিবনো, করম্বনা হেন্না ফবা এসোসিএসন্নো হায়বা খঙদবনা মরম ওইরগা এসোসিএসন অমগী মখাদা হেক্তা চঙদুনা শান্নবসু ঙমখিদে। মসিনা মরম ওইরগা মখোয়গী মতমদা শান্নমিন্নরকখিবা শান্নরোয়শিংনা হেন্না অৱাবশিং থেংনখি। অদুবু



হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী হোক্কীগী থাক অসিদি য়াম্না থাগৎনিঙাই ওইরে। শান্নরোয়শিংগীদমক হোক্কী মণিপুরনা হোৎনরিবা ময়াম অসি মখোয়গী মতমদা থেংনরম্লবদি কয়াদা নুংঙাইগনি হায়না ৱাখলদা খল্লকপসু য়াওই হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না ৱাখল্লোন মান্নবা হোক্কীবু য়োকখৎপা পামজবা অতোপ্পা নুপী শান্নরোয় ১২ অমগা পুন্না মখোয় ১৩ না হোৎনদুনা হোক্কী প্লেয়র দিবলপমেন্ট টিম হায়না মিংথোনবা গ্রুপ অমা শেম্লে। হোক্কী মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা গ্রুপ অসিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক্তা অহানবা ষ্টেট লেভেল হোক্কী টুর্নামেন্ট অন্দর ১৭ মেন অমসুং অন্দর ২০ ৱিমেন, ২০২২ মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমখ্রে। টুর্নামন্টে অসি কেলেন্দর প্রোগ্রাম ওইনা মখা তানা পাঙথোক্লবা নৌনা শেমখ্রবা মখোয় ১৩ গী ওইবা গ্রুপ অসিনা অকনবা মওংদা মখা তানা হোৎনখিগনি। অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিবু মায় পাক্না পাঙথোক্লবা হোৎনবদা হোক্কী মণিপুরনা অচৌবা মতেং পীরকখিবা অদুবু হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎলি হায়খি। হোক্কী মণিপুরনা হৌজিক হোক্কী শান্নরোয়শিংগীদমক হোৎনরিবা অসিগী মথক্তা লৈঙাক্না অমুক্কা হেন্না মীৎয়েং চঙলবদি লমদম অসিদগী অফাওবা হোক্কী শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমগনি হায়না থাজে।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক্না স্পোর্টস য়োকখৎনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। মরক অসিদা হোক্কী শান্নফম মশিং হেন্না শেমগৎপীরবদি হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংগী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবা হায়বদু ওইগনি। খুমন লম্পাক অমসুং তাকয়েল সাই কমপ্লেক্সতা লৈরিবা হোক্কী শান্নফম অসি নত্তবা অফবা শান্নফম লৈতবনা অরাপ্পা মফমদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংদি নীংবা কায়নরি। হিরম অসিদসু লৈঙাক্না অমুক্কা হেন্না মীৎয়েং চঙহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি অরাম্বম ব্রোজেশ্বরী সগোলবন্দ তেরা য়েংখোম লৈরক্তগী লৈখিদ্রবা অরাম্বম জয় অমসুং লৈখিদ্রবী অরাম্বম ওংবী হেমাবতিগী মচানুপীনি। হৌখিবা কুমজা ২০০৪ দগী হৌরগা মহাক হোক্কী মশান্না অসিদা খোঙদারকখিবনি। অহানবগী ওইনা লৈখিদ্রবা ওজা দোরেন্দ্রোগী মখাদা হোক্কী শান্নবা হৌরকখিবনি। কুমজা ২০১৪ ফাওবা হোক্কী শান্নরমখি। হৌজিক্লা ওর্গনাইজর অমা ওইনা মশান্না অসিবু য়োকখৎনবা হোৎনরি। হন্দক্তা খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল হোক্কি টুর্নামেন্ট অন্দর ১৭ মেন অমসুং অন্দর ২০ ৱিমেন, ২০২২কী কনভেনরসু ওইখি।

নেসনেলগী থাক্তা মহাক্না শান্নরকখিবা টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা হৌখিবা কুমজা ২০০৭ তা গ্বালিয়রদা পাঙথোকখিবা ৩৭ শুবা জুনিয়র নেসনেল ৱিমেন্স হোক্কী চেম্পিয়নশিপ, হায়রিবা চহী অসিমক্তদা মিজোরামদা পাঙথোকখিবা মরিশুবা রিজন ৪ ৱিমেন্স হোক্কী চেম্পিয়নশিপ অমদি কুমজা ২০১২ দা আইজোলদা পাঙথোকখিবা ২৬ শুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস মমিং পনবা য়াই।

# ঈ ঈ ও অমসুং বি ৱাই এফ ৱাই দ্রো চংখ্রে, কে আর সীনা ঐচ য়ুবু ৩-১ দা থোইখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচ এন এস): হৌজিক হৌজিক থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায় প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০২২গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে আর সীনা ঐচ য়ুবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে অদুগা ঈ ঈ ও অমসুং বি ৱাই এফ ৱাই পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চংখ্রে। অমরোমদা ঙরাং শান্নখিবা মেটচশিংদা পাথাপ এফ সীনা ৱাই দি এবু পাঞ্জল ১-০ দা অদুগা রেফানা পি এ দি এস দল্লিয়ুবু পাঞ্জল ৪-২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদা কে আর সী অমসুং ঐচ য়ু টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবগী ওইনা চাং মান্ননা শান্নখি। অদুবু মেটচ অদুগী ২৮ শুবা মিনিটতা কে আর সীগী টিমনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে আর সীনা পাঞ্জল ১-০দা অদুম্মক মাঙজিল থানা লৈবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ শান্নবদা কে আর সীনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩১ শুবা অমসুং ৫১ শুবা মিনিটতা কে আর সীনা পাঞ্জল ২ মখা তানা চনখি। অদুগা ঐচ য়ুগী ওইনা পাঞ্জল ১ দগী হেন্না চনবা ঙমখিদবদগী কে আর সীগী মখুত্তা পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিখি।

নুংথিল পুং ৩ তাবদা ঈ ঈ ও অমসুং বি ৱাই এফ ৱাই টিম অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা লম্বা তৌনরিবা টিম অনীমক্না য়াম্না চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অমনা অমবু কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লখিদে। মরম অদুনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং লৌবা ঙম্লখিদে। য়াম্না চাং মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা অহানবা হাফকী মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদসু টিম অনীমক অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙম্লখিদে। নাকল অনীমক্না পাঞ্জল চন্দবা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। অদুবু টিম অনীমক্কী প্লেয়রশিংগী হৈ শিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী ০-০ দা দ্রো চংখি। ঙসিগী মেটচ অদুদা এম দি অনুস খাননা রেফ্রি অদুগা মেটচ কম্মিস্নরনা টি ঐচ সঞ্জিৎকুমারনা ওইখি।

# চেন্নাইন এফসীনা এন ঈ য়ু এফসীবু ২-১ দা থোইখ্রে






পন্নাজি, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি): ঙসি নুমীদাং পুং ৭.৩০ তাবদা গৱাগী পী জে এন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী মেটচ অমদা চেন্নাইন এফসীনা নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসীবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা মথং মেটচকীদমক শেম শাবা হৌখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা হৌগৎলকপদা টিম অনীমক য়াম্না চাং মান্ননা শান্নখি অহানবা হাল্ফকী ওইনা চেন্নাইন এফসীনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌরগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসীগী মায়কৈদা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং ফংবা হৌরকখি। বোল হেন্না পায়দুনা মখা তানা শান্নবা ঙম্লবসু পাঞ্জল চনবদি ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ৩৫ শুবা মিনিটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসীনা খঙহৌদনা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক্ট অমদা টিম অসিগী লালদানমাৱিনা হৈনা শিংনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্বদগী ১-০ দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। চেন্নাইন এফসীগী মায়কৈদগী চঙশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা অকনবা মওংদা হোৎনখি। অদুবু মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা ঙমখিদবদগী নোর্থইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসীনা ১-০ দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

মেটচকী অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবা হৌগৎলকপদা চেন্নাইন এফসীগী প্লেয়র হান্না শান্নরম্বা মওং অদুদগী হোংদোক্লগা অনৌবা মওং অমদা শান্নবা হৌরকখি। অনীশুবা হাল্ফকী ওইনসু চেন্নাইন এফসীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়রগা শান্নবা ঙমখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মেটচ অদুগা ৫২ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী এরিয়েল বোরিসিপনা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসীগী মায়কৈদা পাঞ্জল ১ চনবা ঙম্বদগী ১-১ দা মান্ননা লৈখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসীগী অহোবা তাঞ্জা য়েংলগা মেটচ অদুগী ৫৮ শুবা মিনিটতা চেন্নাইন এফসীনা পাঞ্জল অমগা অমুক চনবা ঙমদুনা ২-১ মাংজিল থাখি। পাঞ্জল অদু টিম অসিগী ব্লাদিমির কোমাননা চনখিবনি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসীনা পাঞ্জল মান্ননবা অকনবা মওংদা শান্নরকখি। অদুবু মেটচ অদুগী ৬০ শুবা মিনিটতা টিম অসিগী মরুওইবা প্লেয়র মিরসাদ মিচুশোকপদগী সুবাসিস রয়না মহুৎ শিন্দুনা শান্নখি। মেটচ অদুগী অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী চেন্নাইন এফসীগী মখুৎতা পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিখি।

# ঙসি প্রধান ট্রোফিগী ফাইনেল মেটচ শান্নগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচ এন এস): হয়েল য়ঙ পোপ্যুলর ক্লব (ঐচ ৱাই ঈ সি) হয়েলনা শীন্দুনা ইবুধৌ ইকোক নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুংদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা উচিৱা গ্রাম পঞ্চয়ট প্রধান ট্রোফি ২০২২ গী ফাইনেল মেটচ হয়েং নুংথিল পুং ১ দা শান্নরগনি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা য়াইওইবী এফসী লমজাও অমসুং দ্রেস হাউস এফসী পাৎশোই টিম অনীনা লম্বা তৌনগনি। লোইশিনবা অমসুং ফাইনেল মেটচকী নুমীৎ অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি ৱাই এ এস ও টি বোনি, উচিৱা গ্রাম পঞ্চয়টকী প্রধান ঐচ ইন্দ্রজিৎ, য়াস দিপার্টমেন্টকী টি শ্যাম, হুকো ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি এস তোন্দাং, পদ্মশ্রি এৱার্দি ও বেমবেম, শামুশঙ বিত্রা উরোংখোংগী প্রধান সোমেন মোইরাংচা অমদি অতোপ্পা ৱার্দ মেম্বরশিংনা মরু ওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

# সয়দ মোদি ইন্টরনেসনেলদা পি ভি সিন্ধু সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, ঐচ এস প্রনোই মায়থিহৌরে



লক্ষ্ণৌ, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি): য়ু পীগী বনারসি দাস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙরাং শান্নখিবা সয়দ মোদি ইন্টরনেসনেল সুপর ৩০০ টুর্নামেন্টকী নুপীগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অনীরক ওলিম্পিক মেদল ফংখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা থাইলেন্দগী সুপানিদা কতেথিংবু য়াম্না ৱানা ১১-২১, ২১-১২, ২১-১৭ তা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

পি ভি সিন্ধুনা সেমি ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিদা মঙাশুবা মফম কল্লিবী রসিয়াগী ইভজেনিয়া কোসেটস্কয়াগা লম্বা তৌনরগনি। অতোপ্পা নুপীগী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা ইন্দিয়া মচা মালভিকা বানসোদ অমসুং অনুপমা উপধ্যায়া অনীগী মরকতা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা বানসোদনা আকার্সি কাশ্যপপু ২১-১১, ২১-১১ দা য়াম্না লায়না থোইখি। অদুগা উপধ্যায়ানা মহাক্কী লম্বা সমিয়া ইমাদ ফরুক্কীবু ২৪-২২, ২৩-২১ দা য়াম্না ৱানা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা মালেমগী ওইনা অফবা নুপা বেদমিন্টন শান্নরোই ১০ গী মনুংদা চনবা ঙম্লম্বা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোই ফ্রান্সকী সটুলর আরনোদ মার্কলগী মখুত্তা মায়থিবা নংখিবদগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে। প্রনোইনা শুপ্পতগী মিনিটত ৫৯ গী মনুংদা মার্কলগী মখুত্তা ১৯-২১, ১৬-২১ দা মায়থিবা নংখিবনি। মহাক মায়থিহৌরবসু অতোপ্পা ইন্দিয়া মচা মিথুন মঞ্জুনাথ টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। মিথুননা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মহাক্কা লম্বা তৌনখিবা রসিয়াগী সর্গেসিরান্টপু ১১-২১, ২১-১২, ২১-১৮ দা থোইবা ঙমদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। মিথুননা সেমি ফাইনেল মেটচতা ঐচ এস প্রনোইবু মায়থিবা পীরম্বা মার্কলগা লম্বা তৌনরগনি।

# নদালনা রুসিয়াগী করেন খাচানোব মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগী শেম শাখ্রে

মেলবোর্ন, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি): ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবোর্নদা লৈবা রোদ লেভর এরেনাদা ঙরাং নুমীদাং শান্নখিবা মেটচ অমদা গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ২০ লক ওইবা ঙমখ্রবা রাফেল নদালনা মহাক্কী ময়োক্ন রিবা রুসিয়াগী করেন খাচানোবপু মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ৪ শুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

টেন্নিস মশান্নদা প্লেয়র অসিনা মশান্না অসিদা মালেমগী ওইনা ২৮ শুবা থাক্তা লৈরিবা করেনবু ৬-৩, ৬-২, ৩-৬, ৬-১ দা থোইবা ঙমখিবনি। মেটচ অসি পূন্না পুং ২.৫২ শান্নখি। নদালনা মথং রাউন্দদা ১৮ শুবা থাক্তা লৈরিবা রুসিয়া মচা অস্লান করাসেব নত্তগা ফ্রেন্সকী এদ্রিয়ান মনারিনোগা লম্বা তৌনরবা য়ানা লৈ। অমরোমদা মেটচ অদু মায় পাক্লবা মতুং রাফেল নদালনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০২১গী ওগষ্ট থাদা মহাক্কী মখোং শোকপনা মরম ওইরগা মতম খর প্রেক্টিষ্ট তৌদনা লাকখি। ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ওইনা শান্নরিবা অসিদসু মহাক্কী হান্নগী থাক য়ৌনা শান্নবা ঙমদ্রি। অদুবু ঙসিগী মেটচ অদুদা মহাক্না খাচানোব মায়থীবা পীবা ঙমখিবা অসিসু লাইবক ফবনি। ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল মহাক্না শুকশোই শোইদনা লৌবা ঙমগনি হায়বা থাজবা লৈ। থা ৬ রোম মশাগী অশোকপনা মরম ওইরগা মতম শাংনা প্রেক্টিস তৌবা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী মায়োক্ন রিবা লম্বানা খুদোংচাবা লৌখিগদ্রা হায়বগী চিংনবদি অদুমক লৈরি।

মিক্স দবল ইভেন্টকী ওইনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী আর্জুন অমসুং ট্রিসা জোলিনা ফ্রেন্সকী ৱিলিয়ম ভিলেগর অমসুং এনি ট্রানবু ২৪-২২, ২১-১৭ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দ চঙখ্রে।

# মথং রাউন্দ চংনবগীদমক ইন্দিয়ানা চাইনিজ টাইপৈ থোইবা মথৌ তারি

নাভি, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি): ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা হৌজিক হৌজিকমুম্বাইগী নাভিদা পাঙথোক্লিবা ৱিমেন্স এসিয়ান কপতা ইন্দিয়ানা মথং রাউন্দ চঙনবগীদমক চাইনিজ টাইপৈবু মায়থিবা পীবা মথৌ তারি। ইরান অমসুং ইন্দিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা দ্রো চৎখিবনা মরম ওইরগা চাইনিজ টাইপৈবু মায়থিবা পীবা ঙমদ্রবদি ৱার্ল্ড কপ য়াওনবা ইন্দিয়াগী পান্দম অরেম্বদা তাগদৌরি।

হয়েং শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি য়াম্না মরু ওইরি। মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌনগদৌরিবা চাইনিজ টাইপৈ মমাংগী শান্নখিবা মেটচ অমদা চাইনানা পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থিবা পীরমখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা চাইনাগী ওইনদি পোইন্ট ৱাংনা লৈরি। অনেম্বা রেঙ্কতা লৈবা ইরানগা শান্নখিবা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা থোইবা ঙমহৌদবদগী ইন্দিয়া টিমগী ফিভম লুশিনখিবনি। হৌজিক পাঙথোক্লিবা কপ অসিগী সেমি



ফাইনেলিষ্টশিং ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২৩ ফিফা ৱার্ল্ড কপতা দাইরেক্ট ওইনা শরুক য়াগনি। অদুগা হৌজিক পাঙথোক্লিবা কপ অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ানা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লবদি ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট মরিদগী অতোপ্পা টিম অনীসু ৱার্ল্ড কপতা দাইরেক্ট শান্নবা য়াহনগদৌরি। ওষ্ট্রেলিয়ানা কপ অসিদা সেমি ফাইনেল য়ৌনা চঙশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপসু লৈরি।

অমরোমদা ইন্দিয়া টিমগী কোচ দেনরবিনা ফোঙদোকখিবদা চাইনিজ টাইপৈগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি ইন্দিয়ানা শুকশোই শোইদনা থোইবা ঙমগনি। ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়ারিবা প্লেয়রশিং অকনবা মওংদা ট্রেনিং চথরি। ইরানগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবা অদু ইন্দিয়া টিমনা কা হেন্না শোনবদগী নত্তে। ইরানগী মায়কৈদা পাঞ্জল ওন্থোকপা য়াবা বোল কয়া কাউন্টর এটেক্ট তৌদুনা পুশিনখি। অদুবু লাইবক লৈতবদগী মেটচ অদু ০-০ দ্রো চৎখিবনি হায়না মশাগী চহী ৬২ শুরবা কোচ অসিনা ফোঙদোরক্লি। পনবা য়াবদি ইরানগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়া টিমগী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবী প্লেয়র বালা য়াওখিদে। মহাক সর্জরি তৌরুবনা মরম ওইরগা য়াওবা ঙমখিদবনি। অমরোমদা বালা য়াওদ্রবসু ইন্দিয়া টিমনা চাইনিজ টাইপৈ থোইবদি শোইদ্রবনি হায়খি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়া টিমদা য়াওরিবা প্লেয়রশিংগী মনুংদা মাইবম লিনথোইঙানবী, য়ুম্নাম কমালা হেমাম সিলকি, নোইমাংথেম রতনবালা, লোইতোংবম অশালাতা, নাউরেম প্রিয়াঙ্কা, গ্রেজ দাংমৈ, স্বিটি ঙাংবম মণিপুরগী শান্নরোইশিংনি।

# ক্লোজিং সেরেমোনি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২২ (ঐচ এন এস): ৱাই সি সি আই সি কোন্থা অহনলুপনা হোক্কী মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা শীন্দুনা থা অসিগী ১৭ দগী হৌরগা ইবুধৌ মার্জিং গ্রাউন্দদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ১০ শুবা য়ুম্নাম রাসমনি মেমোরিএল অন্দর ১৫ বোইস অমসুং অন্দর ১৭ গার্লস ৭ এ সাইদ হোক্কী টুর্নামেন্ট ২০২২ লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি। লোইশিনবা নুমীৎ অসিদা নুপা অমদি নুপী টিমগী ফাইনেল মেটচ শান্নগনি। লোইশিনবা নুমীৎকী থৌরমদা ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষ্য পি বিমোলানা অথোইবা মীথুংলেন লাইফম খুনৌ গ্রাম পঞ্চয়টকী জিল্লা পরিষদ এল ওলেননা থৌরম মপু অমদি মণিপুর হোক্কীগী ভাইস প্রসিদেন্ট খোইরোম লোয়ালাকপা ১৬ বটালিয়ন সি আর পি এফ মন্ত্রি পুখ্রিগী সি ও বজরঙলাল, লাইফম খুনৌ গ্রাম পঞ্চয়টকী প্রধান এল ফিরোজা অমসুং সোসিয়ল ৱার্কর নোংথোম্বম ওংবী অহনবীনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াগনি।

# ইন্দিয়াগী মমীং লৈরবা জেব্লিন থ্রোৱর অমা মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি): ইন্দিয়াগী মমীং লৈরবা জেব্লিন থ্রোৱর অমগী মথক্তা দ্রগ শিজিন্নবগী চার্জ তৌরকখ্রবা মতুং মহাকপু মতম খরগী ওইনা সস্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা নেসনল এন্টি দোপ্পিং এজেন্সিগী দিসিপ্লিনরি পেনেলনা করি ৱায়েল তারক্কদগে হায়বা ঙাইদুনা লৈনরি হায়না রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি। থ্রোৱর অসিগী মতাংদা অশেংবা মশক মমীং রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোকপা তৌদ্রবসু টোকিও ওম্পিক্সকী মতুংদা দোপ টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিবগী রিপোর্ট লৈ হায়রি।

# সাউথ আফ্রিকানা আইর্লেন্দবু রন ১৫৩ দা মায়থীবা পীখ্রে




ত্রিনিদা, জন্যুৱারী ২২ (এজেন্সি): ত্রিনিদাদা লৈবা ব্রাইন লারা ক্রিকেট একাদেমিদা ঙসি শান্নখিবা আই সি সি অন্দর ১৯ মেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা সাউথ আফ্রিকানা আইর্লেন্দবু রন ১৫৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা সাউথ আফ্রিকাগী বান হ্বিদেননা বোল ৯৩ দা রন ১১১ লৌবা ঙমখি। অদুগা টিম অসিগী দিৱাল ব্রেবিসনা সেঞ্চুরি য়ৌগদবা রন ৪ খক্তমক ঙাইরবা মতমদা আউট ওইখি। সাউথ আফ্রিকানা মেটচ অদুদা পূন্না রন ৩১৫ লৌবা ঙমখি।

মেটচ অদু হৌদ্রিঙৈগী মমাংদা তৌখিবা টোচতা সাউথ আফ্রিকানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌনবা খনখি। মেটচ অদুগী ওভর ৪ শুরকপদা সাউথ আফ্রিকানা ৱিকেট ২ শিরগা রন ১৮ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদে। অদুবু দেৱাল ব্রেবিস থোরক্লবা মতুং সাউথ আফ্রিকাগী রন রেট ফজবা হেনগৎলকখি। মেটচ অদুগী ওভর ১০ শুবা ফাওবদা মহাক্না পূন্না রন ৫৩ লৌবা ঙমদুনা টিম অদুগী রন রেটকী চাং ৱাংখৎহনখি। দেৱাল ব্রেবিসনা বোল ১০১ দা রন ৬৪ লৌবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ওভর ৩০ শুরকপদা দেৱাল সেঞ্চূরি য়ৌগদবা রন ৪ খক্তমক ঙাইরবা মতমদা আউট ওইখি।

অমরোমদা আইর্লেন্দনা সাউথ আফ্রিকাগী রন ৩১৫ অদু টার্গেট তৌদুনা মেটচ অদু থোইনবা শান্নবা হৌখি। অদুবু সাউথ আফ্রিকাগী হৈ-শিংলবা বোল্লরশিংনা রন লৌবগী তাঞ্জা কা হেন্না পীখিদবনা মরম ওইরগা সাউথ আফ্রিকাবু মায়থীবা পীনবা মখোয়গী টার্গেট য়ৌবা ঙম্লোইদবগী অচৌবা মমী অমা তাবা হৌরকখি। মেটচ অদুগী ওভর ৪২ দা আইর্লেন্দ ৱিকেট লোইনমক আউট ওইদুনা সাউথ আফ্রিকাবু থোইনবা হোৎনখিবা অদু অরেম্বা তাখি। মেটচ আইর্লেন্দনা শুপ্পতগী ১৫৮ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী সাউথ আফ্রিকানা ১৫৩ দা মায়থীবা পীখি।

# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 355

**WIM Varela La Madrid,Tilsia Carolina (2060) - IM Loeffler,S (2352)**
**14th Figueira da Foz Open Figueira da Foz POR, 2020.10.28**

1.e4 Nf6 2.e5 Nd5 3.c4 Nb6 4.d4 d6 5.f4 dxe5 6.fxe5 Bf5 7.Nf3 e6 8.Nc3 Bb4 9.Be2 c5 10.a3 Bxc3+ 11.bxc3 Nc6 12.O-O Rc8 13.a4 Na5 14.Ba3 Nbxc4 15.Bxc5 Qd5 16.Bxc4 Nxc4 17.a5 Nb2 18.Qd2 Nd3 19.Ba3 h6 20.Bd6 Rc6 21.Ne1 Nxe1 22.Rfxe1 Kd7 23.Qb2 Kc8 24.Ra4 Bd3 25.Rb4 Rc4 26.Re3 Rxb4 27.cxb4 Bb5 28.Rg3 Rg8 29.h3 Bc6 30.Bc5 a6 31.Qf2 Qd7 32.Bd6 f5 33.d5 exd5 34.Qa7 Qf7 35.Qb8+ Kd7 36. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 353 Ans. :**

44. Qxg5 The white queen captures Black's queen, which was defending square d8. hxg5 45. h6 a3 46. h7 Kg7 47. d7 Kxh7 48. d8=Q
1-0

**Puzzle 354 Ans. :**

19. ...Qe2# Damiano's bishop mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com